# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা মোরে, চুরাচান্দপুর অমদি ফৌগাকচাউদগী লাঞ্জেন্নরকপা ইমুং ১২০ গী পুন্না মীওই ৪৫০ ঙরাং লাঙ্গোল হাউজিং কমপ্লেক্সতা হোংজিনখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খ্ৎলায়শিং ফাগৎলে।

অমসুং

৩) নোংলৈ নুংশিৎ দানা হৌজিক উরিষাগী অৱাং থংবা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী সমুদ্র খোঙবানলোমদা অমুক চংশিল্লকপা হৌরে।

------

সিএম (এল)ঃ মণিপুরদা ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মাওই খরা নৌনা শাবা হাউজিং কমপ্লেক্সতা ঙরাংদগী হোংজিনবা হৌখ্রে। নেসনেল গেম ভিলেজ লাঙ্গোলদা লৈবা হাউজিং কমপ্লেক্সতা রিলিফ কেম্পকী মীওইশিং অদু হোংজিনবা হৌখিবনি। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- হাউজিং কমপ্লেক্স অদুদা মোরে, চুরাচান্দপুর অমসুং ফৌগাকচাউদগী লাঞ্জেন্নরকপা ইমুং ১২০ গী পুন্না মীওই ৪৫০ ঙরাং হোংজিনখ্রে। লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং নিংথিনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহন্নবা সরকার অসিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওপরেসন অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা বি-ফাইনোম ভিলেজ অমসুং থৌবাল জিলাদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা নাইন এম.এমগী এস.এম.জি করবাইন অমা, মেগজিন অমা, পোম্পি গন অমা, এস.এম.জি করবাইন অনি, মেগজিন অমা, হেন্দগ্রেনেদ অমা, আর্মিং রিং অমা, মরু ১১, দিটোনেতল অমা, তিয়ার স্মোক সেল সোফট নোস অনি, দাই মার্কর গ্রেনেদ অমা, থার্তি আইট এম.এমগী এন্তি রাইওট অমদি রবর বুল্লেট অমা অমসুং বুফেং রেদিও সেট অনি ফংলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ভাইফৈ ভিলেজদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা হেন্দ গ্রেনেদ মরি, দিটোনেতর অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, পোইন্ট থ্রি-টুগী মেগজিন য়াওদবা পিষ্টোল অমা, ৱায়ারলেস সেট অমা, মরু ৩০, কাপথোকখ্রবা তোকনিং ৩১, পোকখায়বা য়াবা মচাক কিলোগ্রাম অনি মখায়, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, টু-ইঞ্চ মোর্তার অমা, তুয়েল্ভ বোরগী দবল বেরেল নোংমৈ অমা, পোম্পি গন অমা ফংলে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী সোংখোম অমদি গুনজিল ভিলেজশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা এম.কে-টু ওতোমেতিক রাইফল অমা, মরু ৭, পোম্পি অনি, বোম কাপ্পা য়াবা পোম্পি অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা অমদি রেদিও সেট অনি ফংগৎপা ঙমলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেনাপতি জিলাগী চ্যেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা মীওই অমদগী খুৎশু খুৎলায় অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমলে।

নেসনেল হাইৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমদি নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা মথং শিৎনা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ১৯০ অমদি ২৫৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুরকখ্রে।

পুলিস-এসবিআই (এল)ঃ মণিপূর পুলিসকী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই)গা মেমোরেন্দম ওফ

অন্দরষ্টেন্দিং (এম.ও.য়ু) অমা ঙরাং সহি তৌনখ্রে। এম.ও.য়ু অদু মণিপুর পুলিসকী মাইকৈদগী আই.জি.পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) কে. জয়েন্ত অমসুং এস.বি.আই রিজনেল বিজিনেস ওফিস ইম্ফালগী রিজনেল মেনেজর খুমুকচম ওকেন্দ্র সিংহগা সহি তৌনখিবনি। সহি তৌনবা অদুদা রাজ্য পুলিসকী দিরেক্তর জেনেরেল রাজিভ সিংহ শরুক য়াখি। য়ান্ন-চেরোল অদুগী মতুংইন্না মণিপুর পুলিসতা সেলরি পেকেজ য়াওনা লুপা কোতি ১ ফাওবগী ইন্সুরেন্সকী শেনফম য়াওরি। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা শেল থুমগী কান্নবা ব্রাফম কয়া মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

এপ্রিসিয়েসন (এল)ঃ ককচিংদা লৈবা য়ুকো বেঙ্ককী ব্রাঞ্চতা থা অসিগী ১৬ তা বেঙ্ক লুট তৌখিবদা চেন্নবা মীওই ফাগৎপা ঙমখিবগীদমক দি.আই.জি রেঞ্জ টু হাওবিজম জোগেসচন্দ্রনা অরানবা তৌবা মীওইশিং ফাগৎপদা শরুক য়াখিবা পুলিস পার্সোনেলশিংবু লেট্টর ওফ এপ্রিসিয়েসন পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। এস.পি. ককচিংগী ক্বাটরদা ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা পুলিস পার্সোনেল ২০ দা লেট্টর ওফ এপ্রিসিয়েসন পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। লেট্টর ওফ এপ্রিসিয়েসন পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রবা পুলিস পার্সোনেলশিংগী মনুংদা এস.পি. ককচিং- থোকচোম বিক্রমজিৎ, এদ্দিসনেল এস.পি(এপরেসন্স) চোংথাম বিনোই, এদ্দিসনেল এস.পি (লো এন্দ ওর্দর) অথোকপম রোমেন্দ্রো অমদি এস.দি.পি.ও ককচিং অকোইজম প্রেমজিৎ য়াওরি।

পে (এল)ঃ নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা রাজ্য সরকারগী মখাদা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারিশিং অমসুং পেন্সনরশিংগী পেন্সন থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্লগনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ত্রেজরি ওফিসশিংদা লিঙ্ক তৌবা দি.দি.ওশিংনা তলব অমসুং জি.আই.এ সেলরিশিংগী মরী লৈনবা বিলশিং থা অসিগী ২৯ ফাওবদা থাগৎলকবা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেতরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মেলা (এল)ঃ মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক)না শিন্দুনা ইম্ফালগী ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈবা মণিপুর সাইন্স ইক্কারিয়মদা থা অসিগী ১৮ দগী চৎথরকপা একজিবিসন কম ফ্লাৱার সো ঙরাং লোইশিনখ্রে। লমদম অসিদা লৈ থাদুনা শেন্থোক লম্বী লৈনবা হোৎনরিবা মীওইশিং অমদি ঙা য়োকপনা শিনফম ওইরিবা লৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈ থাবা অমসুং ঙা য়োকপগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহন্নবা লেকচর প্রোগ্রামসু পাঙথোকখি। মেলা অদুদা মণিপুরদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ঙা মখল ৫০, লৈ মখল ১২০, বোনসাই মখল ৩০ অমদি অতৈ লৈ পাম্বী কয়াসু উৎখি।

এআর (এল)ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা লালহৌবগী সমস্য অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙমবা নহাশিংবু লালহৌবা য়াওহন্দনবা অসাম রাইফলসনা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা লালহৌবা য়াওনবা চৎলম্বা নহা অমা অসাম রাইফলসনা পল্লেলদগী কলহৌবা ঙমলে। মহাক কনাগুম্বা খরনা লালহৌবা য়াওহন্নবগীদমক নমদুনা পুরম্বনি । মহাকপু তেক্ত কায়দনা ময়ুমগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা অসাম রাইফলসনা নহাশিংবু শান্ন-খোৎনবদা হেন্না পুকিং চংননবা খোঙথাং অমা ওইনা য়াঙৌবুং ভিলেজদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখ্রে। য়াঙৌবুং য়ুথ ক্লবকী খুথাংদা খুৎশিন্নখিবা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিংগী মনুংদা ফুটবোল শান্নবদা চংবা মচাক মথুমশিং য়াওরি।

দানা ঃ নোংলৈ নুংশিঁৎ দানা হৌজিক উরিষাগী অৱাং থংবা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী সমুদ্র খোঙবানলোমদা অমুক চংশিল্লকপা হৌরে। ভুবনেশ্বরগী মেট ওফিসকী পাউনা হায়- পুংদা কিলোমিতর ১২০ য়াংনা নোংলৈ নুংশিৎ অদু শিৎচিল্লক্লি। হৌখিবা অহিং অথেংবদা অকনবা শাহুমগা লোয়ননা নোংলৈ নুংশিৎ অদু শিৎচিল্লকপা হৌখিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা কেন্দ্রপারা অমসুং ভাদ্রক জিলাশিংদা অকনবা নোং চুখি। মুখ্য মন্ত্রি মোহন মাঝিনা ফিভম অদু

মীকুপ নাহুম শিংনা য়েংশিল্লি অমদি মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা তাঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহল্লি। নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহল্লম্বশিংগী ক্ষেতিপুর মতিক চানা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গলগী সমুদ্র খোঙবানদা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা ওইহল্লক্লিবা ফিভম অদু মুখ্য মন্ত্রি মমাতা বেনর্জি য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা মীকুপ নাহুম শিংনা শেন্নরি। নোংলৈ নুংশিৎ অসি কোলকাতা, সাউথ অমসুং নোর্থ ত্বেন্তি ফোর পরগনাজ অমদি মেদিনিপুরদা য়ৌশিল্লক্লে। অদুমকপু হৌজিকমক্কী ওইনা মীশি মীনা অমদি শোকপা পনবগী পাউদি লৈত্রি হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা হৈবোক চীংবু রিজার্ভ ফোরেষ্টকী থাক্তা পুখৎনবা ৱারেপ লৌখিবগী পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমায়দা ফোংনরি। অতোপ্পা মরুওইবা পাউ ওইনা- সরকারনা রিগুলর ওজা ওইনা লৌশিল্লুরবা এদোক ওজা ৫০২ লৌথোকখিবা অমদি কামজোংদা বোর্দর ফেন্সিংগী সর্ভে খুঞ্জাশিংনা থিংজিনখিবগী পাউশিংদু ফোংনরি।

হৈবোক চীংবু রিজার্ভ ফোরেষ্টকী থাক্তা পুখৎখিবা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন, সনালৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর নিউজ, ঈচেল এক্সপ্রেস, পিপলস ক্রোনিকল অমদি পোকফমনচিংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা অহানবা পাউ ওইনা চাউনা ফোংনরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা হৈবোক চীং রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইরগনি, তম্পাক্তা লৈবা চীং মচা মচাশিং কন্নবা সর্ভে তৌগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- কেবিনেট মীফম হৈবোক চীং রিজার্ভ ফোরেষ্টনি লাউথোক্লগনি, মোল হিল মণিপুরগী চীংগী উমংশিং কন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা রিগুলর ওজা ওইনা লৌশিল্লুরবা এদোক ওজা ৫০২ খঙহৌদনা লৌথোকখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি মণিপুর নিউজদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কামজোংদর বোর্দর ফেন্সিংগী মায়োক্তা খুঞ্জাশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসন, গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- অমুর ফালকোন থুংলবা হৌখ্রে, ওথোরিতিশিংনা অকনবা থবক লৌখৎখ্রে হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

কুমশিগী নিংঙোল চাক্কৌবগী মেলাদা ঙা কি.জি লাখ ১ মখায় পুথোকবা পান্দম থল্লি হায়বা ফিসরিজ মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোগী ৱাফমনা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

মেদিসনেল, সাইন্তিফিক নত্রগা ইন্দষ্ট্রিয়েল য়ুজগীদমক গঞ্জা থাবা অমসুং লোকপদা লৈঙাকনা অয়াবা পীরল্লে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা নুমিৎ হুমি চুপা নোং চুগনি হায়না আই.এম.দিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------